# ৪১শুবা নেসনল জুনিয়র বোইজ হেন্দবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচএন এস) ঃ হেন্দবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর হেন্দবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ২৫ ফাওবা চত্থগদৌরিবা ৪১শুবা নেসনল জুনিয়র বোইজ হেন্দবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ ঙসি খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ২৮ অমসুং স্পোর্টস একাদেমি অনীগী নুপা শান্নরোয় ৫০০ রোম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ৪১শুবা নেসনল জুনিয়র বোইজ হেন্দবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরোনমেন্ট হোর্টিকলচর সোইল কঞ্জার্ভেসন মণিপুরগী মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার, এম এস পি দি সী এল অমদি এল দি এগী চ্যেরমেন এল সুসিলদ্রো মৈতৈ, টুরিজম কোর্পোরেসন ওফ মণিপুর লিমিটেদকী চ্যেরমেন ডা. এস রঞ্জন অমসুং ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী ত্রেজররসু ওইরিবা হেন্দবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরি অনন্দেশ্বর পান্দেনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

নেসনলগী থাক্তা চত্থরিবা ৪১শুবা নেসনল জুনিয়র বোইজ হেন্দবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা অন্ধ্র প্রদেশ, অসাম, বিহার, ছটিশগর, গুজরাট, হরিয়ানা, হিমাচল প্রদেশ, জম্মু এন্দ কাশ্মীর, ঝরখণ্ড, কর্ণাটকা, কেরলা, মধ্য প্রদেশ, মহারাষ্ট্র, নাগালেন্দ, ওদিষা, পঞ্জাব, রাজস্থান, টেলঙ্গনা, ত্রিপুরা, উত্তর প্রদেশ, উত্তরখণ্ড, ৱেষ্ট বেঙ্গল, য়ুনিয়ন টেরিটোরিস ওফ চান্দিগড়, দদার এন্দ নগর হবেলি, দমান দ্যু, দেল্লি অমসুং পুদুচেরি অমদি একাদেমি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) অমসুং ভিলাই একাদেমিনা শরুক য়ারি।

নেসনল হেন্দবোল চেম্পিয়নশিপ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা হায়খি, ঙসি মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ৪১শুবা নেসনল জুনিয়র বোইজ হেন্দবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯না লৈবাক অসিদা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন হেন্না ফগৎহল্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদগী লাকপা টিমশিংগী থৌনা লিংজেল অমদি লৈবাক অসিদা ঈং তপ্পা পুন্সি মরেল অমা পুরকপা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা এল দি এ / এম এস পি দি সী এলগী চ্যেরমেন এল সুসিলদ্রো মীতৈনা ফোঙদোকখিবদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদগী লাক্লিবা শান্নরোয়শিংবু ইকায়খুম্নবদা নত্তনা মণিপুরনা চেম্পিয়নশিপ অসি পাঙথোকপা ঙম্লিবা অসি য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনীংঙাইনি। মখা তানা চেম্পিয়নশিপ অসিদা পাঙথোকপদা শিল্লি-লাংলিবা ওর্গনাইজরশিংগী অৱাৎ অপা অমত্তা লৈহল্লোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

9শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাইটিজস কেন্দ্র মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল

# ব্রিও কাবোংপুট অমসুং সেক্তা এফ সী-এ প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর চঙখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচএন এস) ঃ চালৌ য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লবনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চত্থরিবা ৯শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাইটিজস কেন্দ্র মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট (চালৌ কপ) ২০১৯গী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা ব্রিও কাবোংপুট অমসুং সেক্তা এফ সী-এ ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ২৬না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ৯শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাইটিজস কেন্দ্র মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচকী অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ কেগী ব্রিও কবোংপুট অমসুং আই এন জে সী ইতম নুঙ্গোইহ শান্নখি।

মেচ অদু টিম অনীনা ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ তৌনবগীদমক অহানবা মীৎকুপ্তগী লোইবা ফাওদা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী অঙনবা মতম মেচকী ৬শুবা মিনটতা ব্রিওগী জর্সি নম্বর ১০ এম হিটলরনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। মেচকী ৮শুবা অমদি ১০শুবা মিনটতা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৬ এম তাইবংঙানবা অমসুং জর্সি নম্বর ১৭ এল তোনদোন্না পাঞ্জল ২ থংনা থংননা চনশিন্দুনা মেচ অদু ব্রিওনা পাঞ্জল ৩-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

আই এন জে সীগী মায়কৈদগীসু ব্রিওনা অঙনবা মতমদা মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্ল বা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু অহানবা হাফতগী হৌনা ব্রিওগী মায়কৈদগী মেচ অদু লাকশিন্দুনা শান্নখিবনা আই এন জে সীগী এটেকশিং অদু অরেম্বা তাহনখি। মেচকী ১৮শুবা, ২৪শুবা অমদি ২৫শুবা মিনটতা ব্রিওগী শান্নরোয় এন হিটলরনা পাঞ্জল ৩ মথং মথং চনশিন্দুনা হেটট্রিক লৌদুনা মেচ অদু ব্রিওনা পাঞ্জল ৬-০দা চাউনা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি।

ব্রিওগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নবগীদমক চত্থরকপা এটেক অমা আই এন জে সীগী জর্সি নম্বর ৭ সনাথোইনা মেচকী ২৮শুবা মিনটতা দিফেন্দ তৌনবা হোৎনবদা অনস্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি। ব্রিওনা মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা আই এন জে সীগী শান্নরোয়শিংনা নিংহন্নবা লৈতনা কন্না হোৎনরকখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল অমা ফাওবা হন্দাকপা ঙমদনা মেচ অদু ব্রিও কাবোংপুটনা পাঞ্জল ৬-০দা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবগী গ্রুপ এলগী সেক্তা এফ সী-এ অমসুং ওল্ড ষ্টার পুংদোংবম শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতগী লোইবা ফাওবদা সেক্তা এফ সী-এনা ওল্ড ষ্টারনা লাকচনা শান্নখিবনা পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। সেক্তা এফ সী -এগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু এস থোইনা মেচকী ১২শুবা, ২২শুবা অমদি ৩৬শুবা মিনটতা চল্লগা হেটট্রিক লৌখি। দল্লিয়ু বিসেশ্বরনা মেচকী ৬শুবা মিনটতা চনখি। ওল্ড ষ্টারগী পাঞ্জল অদুনা এন মনিমতুম্না মেচকী ২২শুবা মিনটতা চনখি।

অহানবা লনগৈ ত্রোফি ষ্টেট লেভেল নাইন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

# ফোরএভর ফুটবোল মায় পাকখ্রে, মেচ অমনা দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচএন এস) ঃ স্পোর্টস দিভলপমেন্ট ৱিং লনগৈনা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী নোংপোক সঞ্জেনবমগী লনগৈ ভিলেজকী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহানবা লনগৈ ত্রোফি ষ্টেট লেভেল নাইন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ফোরএভর ফুটবোল লমলাই-চালৌ (এফ এফ এল সী) মায় পাকখ্রে। অদুগা মেচ অমনা দ্রো চৎখ্রে।

টিম ১৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চত্থরিবা অহানবা লনগৈ ত্রোফি ষ্টেট লেভেল নাইন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ১১শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী থোইবা এফ সী য়ূম্নাম হুইদ্রোম অমসুং হেমন-পি আই কে এফ সী থাংমৈবন্দ শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতগী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা মেচ অদু পাঞ্জল ০-০দা দ্রো চৎখি।

লীগ রাউন্দগী ১২শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী টোপ এফ সী টোপ অমসুং ফোরএভর ফুটবোল লমলাই-চালৌ শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হৌবদগী লোইবা ফাওবদা ফজনা শান্নখি।

অহানবা হাফকী অঙনবা মতম তরেৎশুবা মিনটতা টোপ এফ সীগী জর্সি নম্বর ১৭ ৱাই রেমোনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টোপ এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা ফোরএভর ফুটবোলগী শান্নরোয়শিংনা টোপ এফ সীবু খংলাক লাকশিন্দুনা শান্নরকখিবনা মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা ফোরএভর ফুটবোল লমলাই-চালৌনা টোপ এফ সী টোপ্পু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি। ফোরএভর ফুটবোলগী মায় কাপগী পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ১১ কৃষ্ণকান্টনা মেচকী ২৪শুবা, জর্সি নম্বর ১৩ রেবন্তনা মেচকী ৩৪শুবা মিনটতা চনখি।

# প্রিতম অমদি জয়গী জুরা, প্রেম অমদি লৈশেমস্নাগী জুরা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচএন এস) ঃ ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেনিস এসোসিএসন (আই দি টি এ) না শীন্দুনা মণিপুর টেনিস এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা আই দি টি এগী টেনিস কোর্টতা চত্থরিবা অনীশুবা মণিপুর ক্লে কোর্ট টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেন্স ওপনগী দবলসকী মেচশিংদা প্রিতম অমদি জয়গী জুরা অমসুং প্রেম অমদি লৈশেমস্নাগী জুরা মায় পাকখ্রে।

ইভেন্ট ৯দা মেন এন্দ ৱিমেন অমদি বোইজ এন্দ গর্লস হায়না খাইদোক্তুনা চত্থরিবা অনীশুবা মণিপুর ক্লে কোর্ট টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মেন্স ওপন দবলসকী মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা কোর্টতা প্রিতম অমদি জয়গী জুরাগা রোমিও অমদি বিরলাগী জুরাগা লম্বা তৌনখি।

মায়কৈ অনীদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা প্রিতম অমদি জয়গী জুরানা রোমিও অমদি বিরলাগী জুরাবু ৬-১, ৬-৩দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মেন্স ওপন দবলসকী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা কোর্টতা এ প্রেম অমদি লৈশেমস্নাগী জুরাগা ইবোতোম্বী অমদি লক্সমিবন্তগী জুরাগা লম্বা তৌনখি। টিম অনীনা অহানবা সেটতগী লোইবা ফাওবদা হেঞ্জিন্নবা ঙম্নদবা মওংদা ফজনা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা এ প্রেম অমদি লৈশেমস্নাগী জুরানা ইবোতোম্বী অমদি লক্সমিবন্তগী জুরাবু ৬-৪, ৫-৭, ১০-৬তা মায়থীবা পীখি।

ইভেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা হয়েং অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা কাংজাম্বা অমদি রাকেসকী জুরাগা দেবেন্দ্রো অমদি কেনিগী জুরাগা শান্নগনি। অনীশুবা কোর্টকী মেচ ওইনা হয়েং অয়ূক পুং ৯ তাবা মতমদা ইবোতোন অমদি রঞ্জিৎকী জুরাগা খোগেন অমদি মোতিগী জুরাগা শান্নগনি।

অহুমশুবা কোর্টতা মেন্স ওপনগী দবলসকী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা হয়েং অয়ূক পুং ১০ তাবদা প্রকাস অমদি জয়েন্তগী জুরাগা রঞ্জন অমদি বালকৃষ্ণগী জুরাগা শান্নগনি। নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা দিলিপ অমদি মোমোগী জুরাগা মনিকান্ত অমদি কোপিচৌগী জুরাগা শান্নগনি। অদুগা মঙাশুবা রাউন্দগী মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা প্রিতম অমদি জয়গী জুরাগা পামৈ অমদি জিতেনগী জুরাগা লম্বা তৌনরগনি।

তরেৎশুবা কে এস ঐচ নোনিগোপাল মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# এস ৱাই এস এ তমেংলোংনা সিনগ্রাবন্দ এফ এবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচএন এস) ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (আই জে এস এ) জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা চত্থরিবা ৭শুবা কে এস ঐচ নোনিগোপাল মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী ঙসি শান্নখিবা প্রিলিমিনরি নোক আউট ষ্টেজকী মেচতা এস ৱাই এস এ তমেংলোংনা সিনগ্রাবন্দ এফ এবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ১২না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা তরেৎশুবা কে এস ঐচ নোনিগোপাল মেমোরিএল ইনভাইটেস ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী অহুশুবা প্রিলিমিনরি নোক আউট ষ্টেজকী মেচ ওইনা ঙসি এস ৱাই এস এ তমেংলোং অমসুং সিনগ্রাবন্দ এফ এ শান্নখি।

মেচ অদু এস ৱাই এস এ তমেংলোংনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা সিনগ্রাবেন্দ এফ এনা বোল কাওবা হৌখি। অহানবা হাফ হৌবদগী লোইবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া চত্থনরবসু লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা এস ৱাই এস এ তমেংলোংনা সিনগ্রাবন্দ এফ এবু য়াম্না লাকচনা শান্নখিবনা মেচ অদু এস ৱাই এস এনা পাঞ্জল ৬-০দা মায়থীবা পীখি।

এস ৱাই এস এ তমেংলোংগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৮ পৌঙাকদাইনা মেচকী ৪৮শুবা, ৬৫শুবা, ৮৭শুবা অমদি ৯০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৪ চল্লগা হেটট্রিক লৌখি। জর্সি নম্বর ৫ পাওগাইলুংনা মেচকী ৫৮শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১২ পাওগুইনা মেচকী ৮৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম চনখি।

ঙসি শান্নখিবা প্রিলিমিনরি নোক আউট ষ্টেজগী মেচ অদুদা এস ৱাই এস এগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১১ গাইসুইলুংনা মেচকী ৬৬শুবা মিনটতা অনস্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক রেফ্রিনা য়েলো কার্দবুক তৌখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা হয়েং এল এফ সী লুংগ্রাইজাং অমসুং দিগর মার এস সী টিম শান্নগনি।

অহানবা সৈজাং খুরাই লৈমা ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ও এন ৱাই সী ওকসুনা ৱাই দি সী থম্নাপোকপী অমসুং ফাইজোল এফ সীনা সনাশাবী এফ সীবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচএন এস) ঃ সৈজাং য়ুথ দিভলপমেন্ট ইন্ত্রিগেসন সেন্টর (এস ৱাই দি আই সী) না শীন্দুনা সেন্তর অসিগী শান্নবুংদা চত্থরিবা অহানবা সৈজাং খুরাইলৈমা ত্রোফি (তেলৌ চানা সৈজাং গ্রাম পঞ্চায়ট ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাইটিজ মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট) ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা ও এন ৱাই সী ওকসুনা ৱাই দি সী থম্নাপোকপী অমসুং ফাইজোল এফ সীনা সনাশাবী এফ সীবু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ১৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা লীগ রাউন্দ অমদি নোক আউট বেসিসতা পাঙথোক্লিবা অহানবা সৈজাং খুরাইলৈমা ত্রোফি (তেলৌ চানা সৈজাং গ্রাম পঞ্চায়ট ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাইটিজ মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট) ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ৭শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী ৱাই দি সী থম্নাপোকপী অমসুং ও এন ৱাই সী (ওকসু) শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা ওকসুনা ৱাই এন দি সীবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

লীগ রাউন্দগী ৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী সনাশাবী এফ সী অমসুং ফাইজোল এফ সী শান্নখিবা মেচ অদু ফাইনোল এফ সীনা সনাশাবী এফ সীবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখি।

# ৩শুবা সঙাই ত্রোফি ভেটরান ফুটবোল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচএন এস) ঃ য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন মণিপুর (য়ু ভি এফ এ) না শীন্দুনা মথং থাগী ৩১দা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা ৩শুবা সঙাই ত্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা এসোসিএসন অসিদা এফিলিএট তৌবা টিম ১৮ অমসুং মণিপুরগী ৱাংমদগী লাকপা টিম ২না শরুক য়াগনি। ৩শুবা সঙাই ত্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ অসি চঙাঙ্গৈ অৱাং লৈকায়দা লৈবা আর কে ফোর্চুন দিভলপরস প্রাইভেট লিমিটেদকী স্পোন্সরসিপ মখাদা পাঙথোক্কনি হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি কে ঐচ ইবোপিশক্ন খঙহল্লক্লি


HL-P/3313/24/1-23/3(Alt.)




HL-B/4943/25/10-22/12 (alt.)

L.G.MOTORS EMPLOYMENT NEWS

| Sl. no | POST | QUALIFICATION | SALARY | AGE | BRANCH | VACANCY |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Computer Operator | Graduate(DTP/Tally) | Negotiable | 18-25 | H.Q | 3 |
| 2. | Office Assistant | Graduate (Computer Know) | Negotiable | 18-25 | Sekmai, Samurou, Thoubal, Kakching, Nambol, Moirang | 2+2 +2+ 2+2 +2 |
| 3. | Grade-IV | VIII Passed | Negotiable | 18-25 | H.Q | 3 |
| 7. | Driver (Car/Tata) | 3 to 5 yrs. experience | Negotiable | 18-25 | H.Q | 5 |
| 8. | Mechanic(2/W & 4/W) | VIII Passed | Negotiable | 18-35 | H.Q | 3+2 |
| 9. | Security | VIII Passed | Negotiable | 18-25 | H.Q | 5 |

#Interested candidates can apply with their personal BIO-DATA along with recent passport size photographs and Contact No. to the following address on or before 20th Feb,2019.

L.G.MOTORS (H.Q) KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,IMPHAL WEST, NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING. Pleased Contact: 9383154085


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com